# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থমাপোকপী অমদি সনাশাবীদা ঙরাং কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

২) ভারতগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি দিল্লিদা লৈবা নিগমবোদ ঘাৎতা অয়ুক পুং ১১ মিনিত ৪৫ দা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৩) ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী সেমি ফাইনেলদা মনিপুর অমদি কেরলা এফ.সি হয়েং থেংনরগনি।

------

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থমাপোকপী অমদি সনাশাবীদা ঙরাং কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অসিগুম্বা মীচমদা চথবা পাংদবা থৌওং অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিন্নবা হোৎনবদা অপনবা পীরি। ঙরাংগী থৌদোক অদুদা মীচম অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী পর্সোনেল খরা অশোক অপন য়াওখি। থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থাজিনদুনা য়েংশিল্লি হায়নসু শ্রী বিরেন্না মখা তাখি। অশোকপা

মীওইশিং লায়েংবগী থবক চথুরি অমসুং অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মীয়ামা পুকিং ফাথনা লৈবীনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপীল তৌরি।

বন্দ (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী শলুংফমদা খুল ঙাকপা মীওই অমা হাৎখিবা অমসুং ৬ না পুলিসনা ফাজিনখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পুং ২৪ গী মণিপুর পুম্বদা টোটেল সটদাউন চথুরি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- জোইন্ট এক্সন কমিতি এগেনষ্ট দ কিল্লিং এন্দ এরেষ্ট ওফ সিক্স ইনোসিয়েন্ট ভিলেজ ভোলুন্তিয়ারনা ফাখিবা মীওইশিং খুদক্তা কন্দিসন য়াওদনা থাদোকবা দাবীসু তৌরি।

থোং (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াংইম্ফাল অমদি ৱাবগাই ফাওবগী লম্বীদা লৈবা উচিৱা অৱাংগী হিদেন অচৌবা লম্পাক্কী খোঙনাং মখোঙ মনাক্তা ইম্ফাল তুরেল মথক্তা শাবা থোং বেল্লি ব্রিজ অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা মফম অদুগী মীয়ামা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লক্লি। থোং অসিগী নাকলদা শাবা সস্পেন্সন ব্রিজ মতম কুইশিল্লকপনা মরম ওইরগা অতেক অকায় য়াওরকপদগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। লমদম অদুগী ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা চহি অহুম চংনা শারক্লবা থোং অসি মোয়ামগী য়েংলগা অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা আপীল তৌরি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিংগা খুল লোন্নরিবা খুলশিংগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ককচিংগী ইরুম তুরেলগী দিমার্কেসন তৌবা অমদি শেংদোকপগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জে.এন.জি.ভি.ও, ওল ককচিং ক্লব কোওর্দিনেতিং কমিতি, ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, ককচিং অপুনবা নুপী লুপ, ওল ইরেংবন ফুটবোল এসোসিয়েসন, ওল খা কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা শরুক য়াখি।

মনমোহোন ঃ  ভারতগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি দিল্লিদা লৈবা নিগমবোদ ঘাৎতা অয়ুক পুং ১১ মিনিত ৪৫ দা পাঙথোক্লগনি।

ডাঃ মনমোহন সিংহ হকচাং মশাগী য়ুমদগী কংগ্রেস ওফিসতা ঙসি অয়ুক পুরক্লগা দলগী লুচিংবশিং অমসুং মীয়ামনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

ডাঃ মনমোনহন সিংহনা লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা জাতিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। নুমিৎ ৭ নি চুপা জনুৱারি ১ ফাওবা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈবাক অসিনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

ইনকম ঃ  লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী মফমশিংদা মন্থলি পর কেপিতা এক্সপেন্দিচর (এম.পি.সি.ই) চাদা ৯ হেনগৎলে অমসুং সহরগী মফমশিংদনা চাদা ৮ হেনগৎলে। মসি ২০২২-২৩ গা চৎলিবা চহি ২০২৩-২৪ গা চাংদমবদা হায়রিবা চাং অসিদা হেনগৎলকপনি।

ষ্টেটিষ্টিক্স অমসুং প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসন মন্ত্রালয়না থাদোরকপা ২০২৩-২৪ গী হাউস হোল্ড কঞ্জুমসন এক্সপেন্দিচর সর্ভেগী মতুংইন্না খুঙ্গংগী মফমশিংদা এম.পি.সি.ইগী চাং অসি চাংচৎতা লুপা লিশিং ৪,১২২ ওইখি। সহরগী ওইনা লুপা লিশিং ৬,৯৯৬ ওইরে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- সর্ভে রিপোর্ট অসি লৈবাক অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা য়ুমথোঙ লাখ ২ লিশিং ৬০ হেন্না থিজিল্লবা মতুংদা পুথোরকখিবনি।

এক্সিদেন্ট ঃ  পঞ্জাবকী ভতিন্দাদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা বস অমদা তোংলকপা মীওহ ৮ শিরে, ২৬ না শোক্লে। বস অদু তলৱানগী সাবোররোমগীদগী লাকপনি। থোংদা য়ৈশিনদুনা নালাদা ওন্থবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ভতিন্দাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- শোক্লবা মীওইশিং অদু

তোঙান তোঙানবা হোস্পিতালশিংদা পুখৎতুনা লায়েংলি। মখোয় হৌজিক খ্‌দোংথিনিঙাই ওইদ্রে।

মরক অসিদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি নেসনেল রিলিফ ফন্দদগী লৈখিদবা ইমুংশিংদা লুপা লাখ ২-২ গী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি। অশোকপা মীওইশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ তেংবাংলগনি হায়রি।

মেট ঃ ভারতকী কোনুং দিল্লি অমসুং মসিগী অকোইবগী মফমশিংদা ময়াই ওইরপকী চাংদা নোং চুবনা মরম ওইদুনা ঈংবগী চাং হেনগৎলক্লি। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- মধ্য প্রদেশতা ঙসি অখাক অরাউ অমদি লেন য়াওনা নোং চুগনি।

হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, উত্তর প্রদেশ অমসুং রাজস্থানদসু নোং চুরবা য়াই হায়রি। লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অথেংবা অহিং অমসুং অঙনবা অয়ুক্তা পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর অমসুং ঝারখন্দদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি। মসিগা চপ মান্নবা ফিভম লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদসু মায়োকগদৌরি।

সন্তোস(এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা হায়দ্রবাদকী তেলঙ্গানাগী দেকান এরেনা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চঙ্খরিবা ৭৮ শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী সেমি ফাইনেলদা মনিপুর অমদি কেরলা এফ.সিগা লন্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদনা নোংচুপ বেঙ্গল এফ.টিগা সার্ভিসেসকা শান্নরগনি। সেমি ফাইনেল মেটচশিং অসি হয়েং শান্নগনি। অদুগা ফাইনেলনা থা অসিগী ৩১ দা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শান্তি খোংবাল, থমাপোকপী অমসুং সনাশাবীদা কুকি মিলিটেন্টনা লানদারকখিবা, পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন ঙরাংদগী হৌখিবা অমসুং থোং তৎলকপদগী তুরেলদা তাশিনবদা নুপী অমা লৈখিদবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

কুকি লালহৌবনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম ৬ তা ঙরাংদু বোম শিজিন্নদুনা অকনবা লান চথরকখ্রে, কম্মান্দো অমা অমসুং মৈরা পায়বী অমা শোক্লে, খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নরে, আর্মিগী থৌওংদা মীয়াম পেন্নদ্রে হায়না পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউদা- কুকি মিলিটেন্টনা লেপ্তুনা লান্দারকপা নুমিৎ মরিনি শুরে, সেন্ট্রেল ফোর্সনা ষ্টেট ফোর্সপু ঙাইহাক থৎতুনা থমখি, কম্মান্দো পার্সোনেল অমগা খুল ঙাকপা অমগা শোকখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ডাঃ মনমোহন লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা নুমিৎ ৭ নি অৱাবা ফোংদোক্কনি, ঙসি অয়ুক মপুং ইকায় খুমবা উৎতুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা অমদি কুকি ওর্গনাইজেসনশিংনা এম.ও.য়ু সহি তৌনখ্রে, কোতু অমসুং কে.এস.ও লাল্লে হায়জরগনি হান্নগী খোঙজং হন্দোক্লগনি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী মরুওইবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা- থোং তৎতুনা ইরিল তুরেলদা তাশিনবদা হনুবী অমা লৈখিদ্রে, হনুবীদুগা থোং লানমিন্নবা নুপী মচা অমা হিংহৌরে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস য়াওনা অতৈ পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

খুল ঙাকপা হাৎপা-ফাবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম লেপ্তুনা চথরি, জে.এ.সিগী টোটেল সটদাউন শৌগৎনরক্লি হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ, পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, হুইয়েন লানপাউ অমসুং পোকফমদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- ইন্দিয়াগা তাইনবা ম্যান্মারগী ঙমখৈদা লৈরিবা খুলশিংগী লিষ্ট শেমনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা অসাম রাইফলসতা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না হান্নগী প্রধান মন্ত্রি মনমোহন সিংহ লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লি হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈবাক অসিগী সুপ্রিম লো ওইরিবা কন্সটিট্যুসন লৈঙাকা ভাইওলেট তৌখিবা লৈতে হায়না আইন মন্ত্রি বসন্তকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউদা- সরকারনা কন্সটিট্যুসন ভাইওলেট তৌখিবা লৈতে হায়না মোর্নিং বেলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আই.টি মণিপুরগী কনভোকেসন পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------